# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী নীংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্থবগী থবক চখবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎলে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী আই.টি. মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মরাইবক অসি য়ামা পীকপা অমসুং মতিং লৈবা মোদেলশিংনা লেপকনি।

------

ষ্টেটহুদ (এল)ঃ মনিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী নীংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল- অজয়কুমার ভালা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা কন্টিজেন্টশিংনা মাচ পাস চৎকনি অমসুং রাজ্যপালনা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা মনাশিংসু লান্থোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা মীয়ামদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-১৯৭২ গী জানুৱারী ২১ দা মনিপুর ভারতকী মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইখি। মনিপুর অসি ইনাক খুল্লবা কালা

সংস্কৃত্তি অমদি নাৎ-চৎনবী কয়ানা থল্লবা লমদম অমনি অমসুং মফম অসিদা লৈরিবা মীয়ামনা শান্ন-খোৎনবা, কলা সংস্কৃত্তি অমসুং মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াদা জাতি অসিগী মিংচৎ পুরক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা চাউখৎপা, তংদু-লৈতাবা অমদি অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু শাগৎমীন্ননবা ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিলহল্লসি।

মনিপুর বিধান সভা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা, শান্তি, অমত্তা ওইবগী লীপুন অদু শাগৎমীন্নসি, হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমসুং মঙাল লৈরবা মনিপুর অমা শেমবা হোৎনমীন্নসি।

তুংদা, নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ইম্ফালগী কংলা নোংপোক তোর্বানদা জাতিগী নীংশিং ফিরাল চিংখৎকনি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নোংঙাদা মখা লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (পি.এস.সি)গী মীওই অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ফারবা মীওই অদু নোংগ্রেন মমাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং প্রিপাক্কী মীওই অমসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং ৱাইরিদগী ফারে। ফারবা মীওই অদু ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সেকমাইজিং খুনৌ কাংজমদগীনি।

এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী মীওই অমসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মন্ত্রিপুখ্রিদগী ফারে। মীওই অদুদগী মরু য়াওবা পোইন্ট থ্রি-টুগী পিষ্টোল অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম খরসু ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক চীং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী এক্তিভ কাদর অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাগৎখি।

ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭২-৭৩ মনাক্তগী আই.ই.দি অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, দিল্লি পুলিসনা অককবা পাউ অমা পীরকপদগী মণিপুর পুলিসনা রাজ্য লান্না গাড়ি হুরানবা মীওইশিং ফাননবগীদমক থি হুন্বগী থবক চথখি। মদুদা আই.সি.আই.সি.আই লোম্বার্দ ইন্সুরেন্স কম্পনি অমসুং টেকি কেল সপ্পোর্টকা লোয়ননা চথখিবা ওপরেসন অদুদা হুরানখিবা গাড়ি ৬ ফাগৎপা ঙমখি। গাড়িশিং অদু চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা গাড়িশিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা শিন্নখ্রে হায়রি। অসিগুম্বা গাড়ি হুরানবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগী ফাগৎলে হায়রি।

রেল্লি (এল)ঃ    নোলেজ রির্ছোস সেন্তর ফাইন্দেসন্না শিন্দুনা চথরিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্তিগ্রেসন রেল্লি- এন.ই.আই.আর ২০২৬ ফেষ্টকী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগী কলচরেল পার্টনর ওইরিবা অতিংগাগী সেক্রেতরি অমদি ইভেন্ট অসিগী ওর্গনাইজেসন মেম্বর কোন্থৌজম বোবিন্না হায়- থৌরম অসি পিছ, প্রোগ্রেস এন্দ প্রোস্পরিতি হায়বা থিমদা থা অসিগী ৬ তগী কোলকাতাদগী হৌখিবনি। মসি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং মথং মথং লাক্তুনা সিলচর, আগরতালা অমসুং শিল্লোংদা অদুগা অরোইবদা গুৱাহাতিদা লোইশিনগনি।

খেল্লো (এল)ঃ    খেল্লো ইন্দিয়া সেন্তর স্কিম তমেংলোংনা শিন্দুনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ফুটবোল মশান্নগী ত্রেনিং ঙরাংদগী হেদক্বাটরদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে। শান্ন-খোৎনবগী লমদা অহোংবা অমা পুরকবগীদমক পাঙথোক্লিবা ত্রেনিং অসিদা নুপীমচা ১০ য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৩০ না শরুক

য়ারি। হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোইশিং খনগৎতুনা লৈবাক অসিগী টর্গেতেদ ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমবু হেন্না মপুং ফাহন্নবা পান্দমদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

অশ্বিনি ঃ কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আই.টি. মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মরাইবক অসি য়ামা পীকপা অমসুং মতিং লৈবা মোদেলশিংনা লেপকনি।

ৱাফম অসি স্বিটজরলেন্দগী দাবোসতা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমগী মীফম য়াওবা চৎপদা লনাই টি.ভি. চেন্নেল অমগা অখন্ননা উন্নবদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মালেমগী ওইনা এ.আই. শিজিন্নবগী চাদা ৯৫ তি অপিকপা মোদেলশিংনা চলাইরি। মহাকা হায়- ভারত্তা শাবা এ.আই. মোদেল ১২ অসিনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংগী ইন্তরপ্রাইজেসশিংদা এ.আইগী দরকার লৈবশিং অদু মেনশিনবা ঙমলে। মহাকা মখা তানা হায়- ভারতনা মোদেল শাগৎপা, সেমি কন্দক্তর মেন্যুফেকচরিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইনর্জিগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা এ.আইগী লমদা খুমাং চাওশিনবা ঙমলে।

রাধাকৃষ্ণন ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন ঙসি করনাটক্তা চৎকনি। মহাকা তুমাকুরুদা লৈবা শ্রী সিধাগঙ্গা মাথতা শ্রী শিবকুমারা মহা স্বামিজিগী ৭ শুবা নিংশিং থৌরমদা শরুক য়াখি। উপ-রাষ্ট্রপতিনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা সি.এম.আর ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিগী সিলভর জ্‌বিলি থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

ফিসরিঃ দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসরিসনা শিন্দুনা ভারতকী মপাং লৈবাক ৮৩ গী এম্বেসেদর অমসুং হায় কম্মিস্নারশিংগী ওইবা রাউন্দ টেবল কনফরেন্স অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হসবেন্দরি অমসুং দাইরিগী মন্ত্রি-রাজিব রঞ্জন সিংহনা সভাপতি ওইগনি।

ফিসরিজ মন্ত্রালয়না হায়-এসিয়া, আফ্রিকা, য়ুরোপ, নোর্থ আমেরিকা, ওসিনিয়া অমদি লেটিন আমেরিকা অমসুং কেরিবিয়ান লৈবাকশিংগী এম্বেসেদর অমসুং হায় কম্মিস্নারশিংনা মীফম অসিদা শরুক য়াগনি। মীফম অসি লল্লোন ইতিক, সমুদ্রদা ফংবা চিঞ্জাকশিং লৈবাকশিংগী মরক্তা থাদোক থাজিন তৌবা য়াওনা মালেমগী ওইবা লল্লোন ইতিক্কী লমশিংদা হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

এনঐচঃ নেসনেল হাইৱেশিংদা লৈরিবা টোল প্লাজাশিংদা ফি থিবগী নিয়মশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা সেন্ত্রেল মোটোর ভেহিকল সেকেন্দ (এমেন্দমেন্ট) রুলস ২০২৬ চৎনহন্নবা সরকারনা নোতিশ থোকখ্রে। মসিনা নেসনেল হাইৱেশিংদা ইলেক্ট্রোনিক টোল কল্লেক্সন হেন্না শিজিন্নহনদুনা ফিশিং থিবদা লাইথোকহল্লগনি।

কেন্দ্রগী রোড, ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রালয়না হায়- এমেন্দমেন্ট অসিনা নেসনেল হাইৱেজ ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াবু মনুং মপান ফাওনা উহনবগা লোয়ননা টোল প্লাজাশিংদা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা হেন্না চাওখৎপা ঙমহল্লগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জনুৱারি ৩১ দা মণিপুর কনবা খোঙচৎ চৎকনি, শিন্থা লেপ্লগা শরুক য়াবীয়ু হায়বা কোকোমিগী ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চহি ৭৮ শুরবী অমা হাৎলল্লে হায়বা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাই তৌরে।

গভর্নরনা বফর জোন লৈতে হায়খ্রবসু দোলাইথাবীদদি অদুমক লৈরিবা হায়বা খুঞ্জাশিংগী ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি রিফ্যুজিশিংনা জম্মর্ন-টাইগর রোডপু লাইফ লাইন্নি হায়বা য়ারোই হায়বা জেদ.য়ু.এফনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লাপাউ পাউচেগী অহানবা

হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং অমসুং তমেংলোং টাইমতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মতম কুইনা লেপ্পুরবা আই.এস.বি.টি জনুৱারি ২২ দগী হাংদোক্লগনি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ৱিমেন কম্মিসনগী চীফনা নুপীশিংবু হেন্না শক্তি লৈহন্নবা হোৎনরি হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- হিট এন্দ রন মোটোর এক্সিদেন্ট স্কিমগী ভিক্তিম কম্পেন্সেসন স্কিমগী মতাংদা এৱারনেস পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরগী রিলফি কেম্প ১৪ গী রিপোর্ট থা অনিগী মনুংদা পীরকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট ২০২৫ দা গাড়ি চলান লিশিং ১৫,০৭৩ ইসু তৌখি হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------